# লমদম অসিগী ওইবা পার্ফোমিং আর্ট অমদি কলচরনা ষ্টেট অসি মালেমদা শক খঙলিবনি ঃ গভর্ণর

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬(এস এন এস)ঃ
মণিপুর অসি লমগী পাক চাওবনা মালেম্না শকখঙবা নত্তে, লৈজরিবা ইনাকখুনবা পার্ফোমিং আর্টস অমদি কলচরনা ষ্টেট অসি মালেম্না শকখঙবিলিবনি হায়না মণিপুরগী গর্ভনর ডা. নজমা হেপ্তুল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী জগোয়না শান্তিনিকেতনগী শরুক অমা ওইখিবগী চহী ১০০ মপুং ফারকপগী থৌরম অমদি জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী প্রদক্সন য়ুনিটকী ৪৪ রক শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা ঙসি পাঙথোকখিবা দান্স দ্রামা ফেষ্টিভেলদা শরুক য়ারদুনা ৱাফম অসি গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবনি।

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি (জে এন এম দি এ) গী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টগী ৱারোল পীরদুনা গভর্ণরনা মখা তানা হায়খি, পণ্ডিট জৱাহরলাল নেহরুনা জগোয়, ঈশে দান্স দ্রামানচিংবা লমদম অসিগী নীংথিজরবা কলচরশিং অসিবু য়োকখৎনবা অমদি মালেমগী মফম খুদিংদা শন্দোকখিনবগী ৱাখল্লোন্দা জে এন মণিপুরী দান্স একাদেমি অসি কুমজা ১৯৫৪ দা লিংখৎখিবনি।

শান্তিনিকেতনদা মণিপুরী জগোয়বু শান্তিনিকেনগী শরুক অমা ওইখিবগী চহী ১০০ মপুং ফারকপা অসি অচৌবা মায়পাকপা অমনি। লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিংনা লমদম অসিগী ইনাক খুল্লবা কলচরবু য়োকখৎনবা হোৎনবগীদমক আর্টিষ্টশিংবু থাগৎলি।

ষ্টেট অসিগী আর্টিষ্টশিংনা পীরিবা খুদোলশিং অসিনা লৈবাক অসিনা অমদি মালেমগী মফম খুদিংদা মশক খঙবিরি। একাদেমি অসিগী প্রদক্সন য়ুনিট অসিনা ঙসি ফাওবদা দান্স দ্রামা ৪০ গী মথক্তা পুথোকপা ঙম্বসি নুঙাইবা ফাওই। লোয়ননা লৈবাক অসিগী ইমোস্নেল ইন্টিগ্রিটি অমা শাগৎপদা পার্ফোমিং আর্টসকী ওইবা পুৱারীগী মশক ওইবা অচৌবা থৌদাং লৈ। পার্ফোমিং আর্টসনা হিংগৎলক্কুনা পাক শন্না শন্দোরকপা অমদি কলচর ইগচেঞ্জ কয়া তৌরকপা অসিনা লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তম অমা শাগৎপদা মতেং ওইরগনি।

একাদেমি অসিনা তোঙান তোঙানবা দ্রামা অমদি অনৌবা আর্টস ফোর্ম কয়া পুথোক্কুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ইং তপ্পা খুন্নাই অমা ওইরক্নবগীদমক পাউজেল কয়া শন্দোকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। শান্তিনিকেতন্না মণিপুরী জগোয়বু য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিগীদমক লমদম অসিগী মীয়ামগী মহুৎ শীন্দুনা নুঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা জে এন এম দি এ গী ভাইস চিয়ারমেন প্রোফেসার ঐচ তোম্বীনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী ইনাক খুল্লবা নাৎ অমদি কলচরনা ষ্টেট অসি মালেম্না শকখঙবিবনি। লমদম অসিগী নাৎকী জগোয়শিং স্পিরিচুয়েল অমসুং ভাকতুরাজদা য়ূম্ফম ওইবা অসিনা মণিপুরী দান্সকী তোপ তোপ্পা মগুণ ওইরি। লমদম অসিগী নাৎকী ওইবা জগোইগী ফিজেৎ লৈতেং, শাথেকশিং অসি ক্লাসিয়েল ওইবদা নত্তনা ৱাহঙ্লোক য়াম্না লৈ। মণিপুরী দান্সকী অহানবা ইনষ্টিটুট ওইরিবা একাদেমি অসি সেন্ট্রেল সঙ্গীট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিগী শরুক অমা ওইবদা নত্তনা মণিপুরগী নাৎকী ওইবা জগোয়শিংগী মরমদা ক্বালিটি এদুকেসন পুরক্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়খি।

# মণিপুর এদুকেসন কোদ ১৯৮২ কী মতুং ইন্না চৎন পথাপ ময়াম কদায়দা লৈখ্রবগে ঃ দেসাম

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬(এস এন এস)ঃ
মণিপুর এদুকেসন কোদ ১৯৮২ গী মতুং ইন্না শেমখিবা চৎন কাংলোনশিং কদায়দা লৈখ্রবগে হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) মণিপুর, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা মরী লৈনবশিং দা হংলক্লি।

দেসাম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী থৌমীশিংনা হন্দক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা লৈবা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই স্কুল খরদা চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎতা অৱাৎ অপা ময়াম অমা লৈরম্বা থেংনরে হায়রি। হিরম অসিগী মতাংদা ঙসি নুংথিল থৌবাল ৱাংমা তাবদা লৈবা দেসাম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কাউন্সিল অসিগী প্রসিদেন্ট সুরজকুমার ওইনা হায়, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাইগী মহৈলোয়শঙশিং অসি মপু পান্দ্রে, তৌনিং তৌনিংবদা তৌরে, দেসান্না চকশিল্লকপা মাস মোবিলাইজেসনগী শরুক অমা ওইনা হন্দক দেসাম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মখারোম থংবা মায়কৈদা লৈবা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই স্কুল খরা য়েংশিন খোঙচৎ চৎখি হায়রি।

খোঙচৎ অদুদা ৱাবগাই এ সি গী মনুং চন্না লৈরিবা মাইবম পাল্লি গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল অসি সরকারনা মতিক চানা শেমগৎলে। স্কুল অসিদা য়ামদ্রবদা মহৈরোই ৫০০ দগী লিশিং ১ ফাওবা তম্না য়াবগী মওংদা সরকারনা শেমগৎলে। অদুবু স্কুল অসিদা শুপ্পগী ওঝা ৩ খক লৈহৌরি। স্কুল অসিগী অনকপা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না স্কুল অসিদা নোংমদা মহৈরোই ৪ দগী ৫ খক মহৈ তম্না কারকই। মদুসু মহৈরোইশিং অসিনা শঙবা মতমদা কারকই হায়রি।

থৌবাল ৱাংমা তবা অপ্পর প্রাইমারি স্কুল অসি ২০১৮ দা এদুকেসন মিনিষ্টরনা লাক্কুনা য়েংশিনবিরম্মী। কুমজা ২০১৫ অদুৱাইদা মহৈরোই ১৫০ গী মথক্তা লৈরম্মী। হৌজিক্তি অমত্তা লৈত্রে। দেসান্না ২০১৬–১৭ দা স্কুল অসিদা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা স্কুল অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফৎতবদগী ওঝাশিংনা মপালদা ফান পুথোক্লগা মহৈরোইশিং লাইরিক তম্বীরম্বা থেংনখি। স্কুল অসিগী অনৌবা বিল্ডিং শাদুনা ফিভম ফগৎহল্লগনি হায়না থাজবা পিরম্বনি। অদুবু হৌখিবা চহী ২০১৯ দা স্কুল অসি মনাক নকপা স্কুলদা সিপ তৌরগনি হায়না লৈঙাক্না ৱারেপ লৌখি। মরমদুনা লৈঙাক্না স্কুলশিংদা থল্লিবা থাজবা অসি কন্দায়দনো হংলক্লি।

ইরোম সলাম অচৌবা অপ্পর প্রাইমারি স্কুল অসি ওঝাসু অমত্তা উদ্রে। ক্লব অমগী শঙলেন্দা স্কুল ওইহৌরি হায়রি। লোয়ননা ৱাবগাই এ সি গী মনুংদা লৈরিবা ইরোম হায় মাদ্রাসা অসি মহৈরোই অমত্তা মিং চনবিবা লাক্ত্রে। ইং ২০১৮ দগী স্কুল অসিগী ফিভম খঙশোক শোকচিনখিবনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লৈঙাক্না স্কুলগী অৱাৎ অপা ওঝা পীবা ঙমখিদবা অমদি স্কুল অসিগী মনাক নকপদা লন্নাই স্কুলশিং লিংখৎলকপদগীনি।

ইরোং হায় মাদ্রাশাগা ফক্লাং অমত্তা খল্লগা আইদেল পব্লিক স্কুল কৌবা লন্নাই মহৈলোয়শঙ অমা লৈরম্বা থেংনখি। মসি অঙকপনি, স্কাল ১ দগী আইট ফাওবা লৈরিবা লন্নাই মহৈলোয়শঙ অসি লৈঙাক্কী স্কুল অমগা হেক থংননা হাংবা য়াবগী অয়াবা অসি লৈঙাক্না করম হায়না পীরিবনো। মণিপুর এদুকেসন কোদ ১৯৮২ গী মতুং ইন্না স্কুল অনীগী লাপ্পবা অসি য়াম্লবদা কিলোমিটর ৩ ওইগদৌরিবনি হায়বা রুল অদু কদায়দা থমখ্রবগে হংলক্লি।

মহাক্না মখা তানা, মণিপুর এদুকেসন কোদ ১৯৮২ গী মতুং ইন্না চৎন কাংলোন ময়াম শেমখিবা অদু কদাইদা চৎখ্রেবগে, আর টি ই এক্টকী মখাদা মহৈরোইশিংনা ফঙগদবা ফেসিলিটিশিং অদু লন্নাই স্কুলশিংদা ফঙহনবদা কনাগী মরালনো, লন্নাই স্কুলশিংগী চৎন কাংলোন মণিপুর লৈঙাক্না শেমখি হায়বদু কন্দায়দনো হায়খি।

ঙসিগী পাউগী মীফম অদুদা দেসাম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী অতৈ থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

# ঐখোয় মশেল অমগা অমগা মতেং পাংনবা অমদি পুনশিনবনা চাওখৎপা পুরক্কনি ঃ নেমচা কিপজেন

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬(এস এন এস)ঃ
খুন্নাই অসিদা হিংমীন্নরিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অঙম অঙম্বা মতেং পাংনবা অমদি অমত্তা ওইনা পূনশিনবনা খুন্নাই অসি ইং তপ্পা চাওখৎপা অমদি অফবা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী সোসিয়েল ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর নেমচা কিপজেন্না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মোরেগী সাহাই ভিলেজতা লৈবা জানমুথাং প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা অহুমশুবা তাংখোলোন মেমোরিয়েল টুর্নামেন্ট (টি এম এফ টি) ২০২০ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর নেমচা কিপজেন্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিগী চীং অমসুং তম অমত্তা ওইনা থোঙ মান্ননা চাওখৎপা পুরক্নবগীদমক্তা লৈঙাক অসিনা চোকথাবা নাইদনা হোৎনরি। চীং অমসুং তমদা অনৌবা লম্বী থোং শেমগৎপদা নত্তনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া অমা পায়খৎলি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৈঙাক অসিগী কোর্পোরেসন দিপার্টমেন্টগী মখাদা রেজিষ্টার তৌরবা কোওপরেটিব সোসাইটিগী খুত্থাংদা ফিশা লোনশা তৌদুনা, য়েন ওক লোইদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্না মশাগী শেঙ্গোক লম্বী লৈজনবা হোৎনবা য়াই। মরম অদুনা মীয়াম্না অরানবা লম্বীদা খোঙ থাং জিনবগী মহুত্তা লৈঙাক্কী লৈরিবা স্কিমশিংগী অমদি প্রোজেক্টশিং অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইশাগী পুন্সি মহিং ফগৎনবা হোৎনরি।

অসিগুম্বা টুর্নামেন্ট অমা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা শিনবগীদমক টি এম এফ টি গী কম্মিটিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মসিনা লমদম অসিগী নহাশিংবু খুন্নাই অসিগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মশক থোকপা মী অমমম ওইহনবা ঙমগনি। শান্ন খোৎনবা অসিনসু নহাশিংবু ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তগী লাপথোকপা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টর লৈঙাক্কী হিল এরিয়া কম্মিটিগী চিয়ারমেন টি থাংজালেন হাওকিপ, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খুদেংথাবী ভিলেজকী চীফ সি ঐচ পাচাও কোম্নচিংনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার এম রাজকুমার অমদি এস পি ভিক্রমজিৎনা স্পেসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

# ‘ঐখোয়গী খুঙ্গং’ ফিল্ম রিলিজ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬(এস এন এস)ঃ
মণিপুর সকারগী পব্লিক হেলঠ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টগী শেঙ্গুং মখাদা মণিপুরগী খুঙ্গংশিংবু মান্নবা থাক্তা পুখৎনবগী পান্দমদা পুথোকখিবা ‘ঐখোয়গী খুঙ্গং’ হায়না মিংথোনবা অতেনবা ফিল্ম অমা ঙৱাং ইম্ফাল ইষ্টকী হরাওরৌদা লৈবা ৱাই এম সি গ্রাউন্দা ভিলেজ ৱেলফিয়ার এন্দ সেনিটেসন কম্মিটি, হরাওরৌনা শিন্দুনা রিলিজ তৌখ্রে।

মিনিট ৪০ শাংবা অতেনবা ফিল্ম অসি মপুং ওইনা খুঙ্গং অমবু চাওখৎপগী থাক্তা পুখৎলকপদা খুঙ্গাশিংগী ৱাখল্লোন শেমদোকমীন্নবা য়াম্না তঙাই ফদে হায়বা পাউজেল পীরি। থৌরম অদুদা পি ঐচ ই দি ইম্ফাল ইষ্টকী ই ই রামেশ্বোরনা অথোইবা মীথুং ওইখি।

# অঙাংশিংগী ইশু তরাইনা লৌবা চুপ্লোই ঃ এন জি উত্তম

ইম্ফাল,জনুৱারি ১৬(এস এন এস)ঃ
অঙাংশিংগী ইশুশিং অসি তরাইনা লৌবা চুপ্লোই। অঙাংশিংগী ইশু লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশীংগী চাদ ৪০গী ইশু ওইনা লৌবিগদবনি হায়না দাইরেক্টর সোসিয়েল ৱেলফেয়ার এন জি উত্তমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী ত্রাইবেল রিসার্ছ ইন্সটিট্যুটতা দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিয়েল ৱেলফেয়ারনা মণিপুর জুদিসিয়েল একাদমীগা খূৎশম্নদুনা ঙসিদগী হৌদুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা চখগদবা চাইল্ড ৱেলফেয়ার কম্মিতি (সি দব্লিউ সি) শিংগী চ্যারপার্সন অমদি মেম্বরশিংগী ইন্দক্সন ত্রেনিং প্রোগ্রামগী হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা দাইরেক্টর এন জি উত্তমনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌদোক অদুগী ৱাহৌদোক্কী ৱারোল পীরদুনা এন জি উত্তমনা হায়, মীয়াম্না অঙাংশিংগী ইশু অসি লুম্না লৌদবগুম তৌই। লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশীংগী চাদ ৪০ দি অঙাংশিংনা ওইরিবনি। মরম অসিনা মখোয়গী ইশু অসি তরাই তরাইনা লৌরোইদবনি হায়খি।

অঙাংশিংগী ইশু অসি মখোয়খক্তগী ওইনা উবিরোইদবনি লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশীংগী চাদ ৪০গী ইশু ওইনা লুম্না লৌফম থোকই।

অঙাংশিংগী কেসশিং অসি অহলগী কেসকা মান্ননা থবক লৌখৎপা য়াদে। পুলিস ষ্টেসনশিংদসু চাইল্ড ফ্রেন্দলি পুলিস ষ্টেসন শেমগক্তুনা মখোয়খক্কী কেস পায়বা অখন্নবা পুলিস ওফিসার হাপ্লিবনি।

অদুগুম্বা পুলিস ওফিসারশিং অদু অঙাংগী কেস পায়বগী মতাংদা নিংথিনা ত্রেনিং পীবগী তঙাইফন্দবা লৈ। অঙাংশিংগী কেস পায়রিবনি হায়দুনা সিভিল্লদা চংলবসু, অঙাংশিংদা অহল ওইরবশিং ইন্টরোগেসন সেলদা ৱাহং পাউহং চথবগী ফিভমদা তৌরবদি অশোয়বা লৈগনি।

চাইল্ড ফ্রেন্দলি পুলিস ওফিসারশিং অদুগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা হোম দিপার্টমেন্টনা তান্নরগা শিন্নবা দিপার্টমেন্টনা খনবা লৈ। মখোয়বু নিংথিনা ত্রেনিং পীবীবা চংই হায়খি।

পুলিসশিংগী ট্রান্সফর পোষ্টিংগী মতাংদসু দিষ্ট্রিক্ট অমদগী অমদা ওফিসারশিং ট্রান্সফর তৌবা মতমদা চাইল্ড ফ্রেন্দলি পুলিস ওফিসার মশেল ওইনা তৌবিনবা লৈঙাক্না পোলিসি অমা পুথোকপীবা চংই। মদু নৎতবা তারবদি কনাগুম্বা অনৌবা ওফিসার অমনা হেক্তমক চঙশিনলগা থবক হৌবা মতমদা মদু মকোক্তগী অমুক হৌবগা মান্নগদৌরিবনি হায়খি।

অমরোমদা লৈরিবা চাইল্ড ৱেলফেয়ার কম্মিতিশিংগী চ্যারমেনশিং, মেম্বরশিংগী মরক্তা থা অমগী মনুংদা অমুক অমুক্তং ওইরবসু মখোয় মখোয়না থেংনরকপা কেসশিংগী এক্সপরিয়েন্স সিয়ারিং তৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

সি দব্লিউ সি অমনা থেংনবা প্রোব্লেমগা অতোপ্পা অমনা থেংনবা প্রোব্লেমশিং অদু মান্নদবা য়াই। এক্সপরিয়েন্স সিয়ারিং তৌবা অসিনা তোঙান তোঙানবা কেসশিং পায়বদা লায়না থোকহনগদৌরিবনি হায়খি।

কেস অমা পায়খৎপা মতমদা অঙাংশিং চেন্নবা কেসকা চুম্নগী কোর্ট অমদা কেস থেংনবগা খেন্নবা কয়া লৈরিবনি। সি দব্লিউ সিশিংদা পায়খৎপা কেসশিং অসিদা কুপ্না য়েংশিন্দবা য়াদবা য়াওরক্কনি হায়খি।

মমা মপা লৈতবা অঙাংশিং অসি স্পিসিয়েলাইজ এদোপসন এজেন্সি (এস এ এ)শিংদগী কনাগুম্বা অঙাং পামজবা মমা মপা ওইবশিংনা লিগেল্লি ওইনা য়োকচগে হায়না লাকপা মতমদা এজেন্সি অদুনা অঙাং অদুগী মতাংদা মরম অমা নৎত্রগা অমা পীশিন্দুনা অঙাং পীদবগী ৱাফম কয়া তাখিবা লৈখি। অমরোমদা ফোরেন পেরেন্টশিংনা অঙাং য়োকচরগে হায়বা মতমদনা ফি চাউনা পীবগী হেক্তমক পীথোকখিবা ৱাফম তাবসু লৈ। মসিগুম্বা ময়াম অসি সি দব্লিউ সিশিংনা য়েংশিনবা তঙাইফদে।

অঙাংশিং অসি নিংথিনা মপুং ফান লৈহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফন্দবা লৈরি। অঙাংশিংগী কেস নিংথিনা হেন্দল তৌদবা তারবদি মদুনা লৈবাক ইৱাং থোক্লকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈরিবনি হায়না মখা তাখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরদা য়াম্না তোয়না উবসি অঙাংশিং অসি মপা মমা লৈত্রবা মতমদা মখুরা মতোন, মরী মতা ওইবশিংনা চিল্ড্রেন হোমদা থমজিল্লম্বা অদুম ওইনমক কনাগুম্বনা য়োকচগে হায়না লাকপা মতমদা ফ্রি ফোর এদোপসন লাওথোক্লগা লিগেল ওইনা অঙাং লৈজদবা মীওইশিংদা খুৎশিন্নি–খসি হায়খিবা মতমদনা মরি মতানি হায়দুনা পীখিগে য়াদবগী প্রোব্লেম লৈরিবনি।

# মাইনরিটি এফেয়ার্স অমদি ও বি সিকী প্রোজেক্টশিং তপথবগী মরম চীফ মিনিষ্টরনা থিদোক্কদৌরি

ইম্ফাল,জনুৱারি ১৬(এস এন এস)ঃ
দিপার্টমেন্ট ওফ মাইনরিতি এফেয়ার্স অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ অদর বেকৱার্দ ক্লাসেসকী মখাদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং মতম চানা লোইশিনবা ঙমদবা য়াওরিবশিংগী মরম চীফ মিনিষ্টর মশামক্না থিগৎকদৌরি। স্কিমশিং মমিংখক্তগী পায়খৎপগী মহুত্তা মীয়ামদা কান্নবা পীগদবা স্কিম ওইনা পায়খৎনবা চীফ মিনিষ্টরনা ত্রাইবেল এফেয়ার্স এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা ময়ায় তাঙবল লৌদুনা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিয়েটকী কেবিনেট হোলদা পাঙথোকপা মাইনরিতি এফেয়ার্স, অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস দিপার্টমেন্ট অমদি ত্রাইবেল এফেয়ার্স এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টকী মখাদা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী ষ্টেটস অমদি ও বি সি, এস দিগী হোষ্টেল, স্কুলশিং য়াওনা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎলিবা অসিগী প্রোগ্রেস রিভিয়ু তৌখিবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ঙসিগী রিভিয়ু মীটিং অদুদা দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎলিবা ইকোনোমিক দিলভপমেন্ট প্রোগ্রাম করম্বা থাক্তা লৈরিবগে হায়বদুসু য়েংশিনখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক সেন্ট্রেল ফন্দিংগী মখাদা পায়খৎলিবা মাইনরিতি এফেয়ার্স, অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস, এস সিগী হোষ্টেলশিং অমদি স্কুলশিংগী বিল্ডিংনচিংবা শাগৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমমমতা ওইনা প্রোগ্রেস রিভিয়ু তৌখি হায়রি।

প্রোগ্রেস তপ্পা মফমশিংগী মতাংদা থিগৎপগা লোয়ননা মসিগী থবকশিং পায়খৎলিবা কন্ট্রেক্টরশিংবু তোঙান্না মহাক্না অমুক হন্না উন্নদুনা থবক তপথবগী মরম থিগৎকদৌরি হায়রি। লোয়ননা থবকশিং থুনা লোইশিল্লগা মীয়ামদা থুনা শিন্ননবা খঙহনখি।

ত্রাইবেল এফেয়ার্স এন্দ হিলসকী ওইনা হান্নদগী চংনরকপা স্কিমশিং ওইরবসু স্কিম অদু মতমগা চুন্নরক্তবা নৎত্রগা মীয়ামদা কান্নবা পীবা ৱাৎলবদি মদু তেকথোক্লগা মীয়ামদা কান্নগদবা স্কিম ওইনা পায়খৎলো। হান্না পায়খৎলম্বনি হায়ননা স্কিম চপ চপ মান্ননা পায়খৎপগী মহুত্তা মীয়ামদা হেন্না কান্নগদবা অমদি হকথেংননা মীয়ামদা কান্নবা পীগদবা স্কিমশিংগী মেকানিজম অমা পুথোক্লগা মঙোন্দা উৎনবা খঙহনখি।

মাইনরিতি এফেয়ার্স, ও বি সি অমদি টি এ এন্দ হিলস দিপার্টমেন্টকী ওইনা পায়খৎপা শন্দং লোইবগী প্রোজেক্ট, য়েন লোইবা অমদি ওক লোইবনচিংবা স্কিমশিং পায়খৎলি। হায়রিবা স্কিমশিং অসি ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি অমদি এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টনসু পায়খৎপা ওইবনা বিনিফিসিয়ারিশিং অসি ওভরলেপ্পিং তৌদনবা দিপার্টমেন্টশিং পুনশিনলগা খন্নবগী তঙাইফন্দবা লৈ।

ত্রাইবেল এফেয়ার্সতসু, এম ও বি সিদসু, সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টনসু নুপীশিংদা ফি তুনবা মেছিন পীবা লৈ। মসি বিনিফিসিয়ারিশিংনা হঞ্জিন হঞ্জিন খুদোংচাবা লৌবা য়াদনবা থৌরাং অমা পায়খৎনবা পাউতাক পীখি।

মসিগী মতাংদা ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী স্কিমশিংগী খুদোংচাবা অসি দিপার্টমেন্ট অমদগীসু অমদগীসু লৌবা খঙদোক্নবা পোর্টেল অমা শেমগৎনবা পাউতাক পীখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা টি এ এন্দ হিলসকী মিনিষ্টর এন কায়িসি চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেসবাবু,এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী লেটখোগিন হাউকিপ, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী ফাইনান্স রাকেশ রঞ্জন, সেক্রেটরী এম ও বি সি জসিন্থা লাজারাস, টি এ এন্দ হিলসকী কম্মিস্নার সি অঠর দব্লিউ, দাইরেক্টর এম ও বি সি এন জি ভোগেন য়াওনা ওফিসিয়েলশিংনা শরুক য়াখি।

# পাৎসোই এ সিগী মীখলদা চয়েৎনবা– হায়কোর্টনা ইশু কয়া পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬ (এস এন এস)ঃ
কুমজা ২০১৭ দা পাঙথোকখিবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা পাৎসোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখলগী ভোট মশীং থিবদা চয়েৎনবা লৈখি হায়বগী মতাংদা পেটিস্নর অমসুং রেস্পোন্দেন্ট অনীগী ৱাফম তারবা তুংদা হায়কোর্টনা ইশু মরি পুথোরকখ্রে।

হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা এস কুঞ্জকেশ্বর এলাইজ কেবনা পেটিস্নর ওইদুনা থারকখিবা ইলেক্সন পেটিসিন নম্বর ১০ ওফ ২০১৭ গী মতাংদা থা অসিগী হৌখিবা ১৪ দা খন্নরবা মতুংদা ইশু মরি অদু পুথোরকখিবনি।

জষ্টিস কেঐচ নোবিনগী সিঙ্গল বেঞ্চনা পুথোরকখিবা ইশু মরি অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিং দি হায়রিবা এ সি অসিগী ওইনা আর ওনা শেমখিবা মীখলগী কাউন্টিংগী রিজল্ট অদু লানখিব্রা নৎত্রগা পেটিস্নরনা মরাল শীরক্লিবা অসিগুম্বা কাউন্টিংগী রিজল্ট অসি লোগী ৱাংমদা ওইখিব্রা, মীখলগী মশীং থিখিবা অদুদা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা এ কে মিরাবাইগী ফেভরদা ভেলিদ ওইদবা পোষ্টেল ১২ মশীং থিখিব্রা অমসুং পেটিস্নর ওইরিবা এস কুঞ্জকিশ্বরগী ফেভরদা ভেলিদ ওইবা পোষ্টেল ২৫ রিজেক্ট তৌখিব্রা, পেটিস্নর অদুগী ইলেক্সন এজেন্টনা এসিষ্টেন্ট রিটরনিং ওফিসারগী য়াথং মতুং ইন্না পোষ্টেল বেল্লোট ১৭ কোষ্ট্রৌজম এ সিগী পোষ্টেল বেল্লোট বোক্সতা থাদখিব্রা অমদি রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা এ কে মিরাবাইবু মীখল মায় পাকখিবসি তোঙান তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা লান্না ভোট মশীং থিখি হায়রিবা অমদি পোষ্টেল বেল্লোটশিং লান্না মশীং থিখি হায়রিবা অসিনরা হায়বা ইশুশিং অসিনি।

ইশুশিং অসি ফ্রেম তৌবগা লোয়ননা নাকল অনীমক্কী মায়কৈদগী মাগী মাগী ৱিটনেসশিং অমদি মরী লৈনবা খুদম চাংদমগী চে চাংশিং পুথোক্লবগীদমক থা অসিগী ২৪ দা ইশুশিং অসিগী মতাংদা খন্ননবা মতম লেপখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি কেস অসিদা পেটিস্নর ওইরিবা অসিগী ময়ূমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কুমজা ২০১৭ গী জেনরেল ইলেক্সনদা পাৎসোই এ সিদা এন ই আই দি পিগী মীরেপ ওইখিবা এস কুঞ্জকিশ্বরগী সিম্পেথাইজর ওইনা চেংখিবা অহোং শাংবম ওকেনা মণিপুর হায়কোর্টকী ওবজার্ভেসন অসিবু অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, হৌখিবা জেনরেল ইলেক্সন অদুদা পাৎসোই এ সিগী ওইনা কাউন্টিং দা চয়েৎনবা খরা লৈখি। মীখল অদু ইলেক্ট্রোনিক মেড়িয়াগী রিপোর্ট মতুং ইন্না এস কুঞ্জকিশ্বরনা কারে হায়না লৈনরুরবা মতুং ইখঙ খঙহৌদনা এস কুঞ্জকিশ্বর মায়থিরে হায়না লাউথোকখিবনি।

মীখল অসিগী কাউন্টিংদা করিগুম্বা অশোয়বা, অরানবা য়াওরে হায়না চিংনবদগী মীখল ফল লাউথোকখ্রবা মতুং কুমজা ২০১৭ গী এপ্রিলদা এস কুঞ্জকিশ্বরনা পেটিস্নর ওইদুনা মণিপুর হায়কোর্টতা ৱাকৎখিবনি। অদুবু কেস অসি মতম কুইনা চংনরক্লবসু ভরদিক্ত অমা পীবা ঙমদবদগী ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টতা অমুক ৱাকৎখি। সুপ্রিম কোর্টনা কুমজা ২০১৮ গী জুলাই ৪ দা কেস অসি লোইশিন্ননবা মণিপুর হায়কোর্টতা য়াথং পীরকখিবনি। মসিগী মতুংদা হন্দক অমুক থা অসিগী ১৪ দা মণিপুর হায়কোর্টনা ইশুশিং অসি পুথোক্তুনা ওবজার্ভেসন পীখিবনি। কেস অসি অথুবা মতমদা ৱরারোইশিন অমা পুরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

মীখল অদুগী কাউন্টিংগা মরী লৈননা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, এস কুঞ্জকিশ্বরবু মীখল মায় পাক্লে হায়না লৈনরুরবা মতুং ইখঙ খঙহৌদনা অমুক কাদ্রে হায়না লাউথোকপা হায়বসি মীখল অদুগী কাউন্টিংদা অশোয়বা, অরানবা য়াওরে তাকপনি। লোয়ননা এস কুঞ্জকিশ্বরবু মতমদুদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইখিবা অমনা নমথাক তৌরগা মীখল মায় পাকখিবনি হায়বগী খুদম চাংদম লৈরে। মতম শাংনা মীখলগী কাউন্টিংদা অশোয়বা কয়া লৈখিবা অদুগী ৱারোইশিন ঙাইদুনা লাকপনি। অদুবু হন্দক ইখঙ খঙহৌদনা মণিপুর হায়কোর্টকী ৱেবসাইটতা কেস অসিগী মতাংদা ইশু কয়া থোকপীরম্বসি অপেনবা ফাওই। কোর্টকী ইশু অসিগী মতুং ইন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা নাকল অনীমক্কী ওইবা তং–তাবা অমা খঙলগনি। মণিপুর হায়কোর্টনসু অথুবদা অচুম–অরান পুথোকপীরগনি হায়বগী থাজবা থমজরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## এম সি এস ১...

*লমায় ১গী মখা...* অসি মনিংহনবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইরক্নবগী মরম ওইগনি হায়খি।

দিপার্টমেন্ট অসিবু মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙম্নবগীদমক লৈঙাক্না খম্থহন্নিংবগী অপাম্বা ইমপ্লোয়িশিংনা ফোঙদোরকখি।

ঙসিগী ইমপ্লোয়িশিংগী খোঙজং অদুগী পাউ তাবদগী হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারগা দিপার্টমেন্ট অসিগী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী অমগীসু অমগীসু কন্নয়দনবা লৌখৎপা য়াবা থবক লৌখৎত্না ৱারোইশিন অথুবদা লাক্নবা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা পীরকখি।

মিনিষ্টরনা পীরক্লিবা থাজবা অদু মিনিষ্টরবু ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা মতম খরা য়েংখিগনি। করিগুম্বা থবক ওইনা লৈঙাক্না লৌখৎপীরক্তবা তারবদি ইমপ্লোয়িশিংগী অকনবা খোঙজং লাকপা য়াই হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# সাকশাম ২০২০ কেম্পেইন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৬(এস এন এস)ঃ
পেট্রোলিয়মগী পোৎলমশিং কাংলোন চুম্না শিজিন্নসি হায়দুনা লৈবাক শিনবা থুংনা থা ১ পাঙথোক্কদবা সাকশাম ২০২০ কেম্পেইন মণিপুরদসু ঙসিদগী সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা চীংমৈরোংদা লৈবা টি আর আই গী ওদিটোরিয়ম হোলদা হৌদোকখ্রে।

পেট্রোলিয়ম কঞ্জাভেসন রিছার্স এসোসিয়েসন (পি সি আর এ) না মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা গ্যাস অমদি ওইল কম্পেনিশিংগা পুন্না খূৎশম্নদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাসকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা পেট্রোলিয়মগী পোৎলমশিং কাংলোন চুম্না শিজিন্নবা ৱাখল্লোন পীগদবা মীওইশিংনা মীয়ামদা ৱাখল্লোন পীদিন্নঙৌদো ইশা ইশা হানা চুমথোকসি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তা হায়, মালেমগী ওইনা পেট্রোলিয়মগী পোৎলশিং হৌজিক শিজিন্নরিবা মওং অসিদা অদুমক শিজিন্নবা মতমদা চহী ৫০ গী মতুংদা পেট্রোলিয়মগী পোৎলমশিং অসি শোয়দনা লৌশিনগনি। মরম অসিনা ঐখোয় খুদিংমক্না পেট্রোলিয়মগী পোৎলম অসি লিক্লা শিজিন্নবা মথৌ তাই। মসিগীদমক মীয়ামদা পেট্রোলিয়মগী পোৎলম শিজিন্নবগী মতাংদা পাক শন্না খঙহনবা মথৌ তাই।

অদুবু মীয়ামদা ৱাখল্লোন পীগদৌরিবা মীওইশিং অসিসু হান্না পুকচেল শেংনা থবক তৌবা অমা মথৌ তাই হায়খি।

হৌরক্লিবা তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোইশিংদা খুন্নাই অসিগী অফবা মীওই অমমম ওইহন্নবা ওঝাশিংনা মহৈরোইশিংদা লাইরিক খক্তমক তম্বীবগী মহুত্তা লাইশুঙসু য়াওনা তম্বীগদবনি। মসিনা মহৈরোইশিং অদুগী তুংগী পুন্সি লেপ্পদা নক্তনা খুন্নাই অসিগী মরাইবকসু লেপক্কদৌরিবনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

লাক্লিবা ফেব্রুৱারীগী ১৫ ফাওবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াগা লোয়ননা লেপ্তুনা চখগদবা কেম্পেইন অসিগী অহানবা নুমিৎকী ওইনা অঙাংশিংগী লাই য়েকপা চাংদম্নবা অমসু পাঙথোকখি। ক্লাস টু দগী সিক্স অমদি ক্লাস সভেনদগী ক্লাস ১০ হায়না কেটাগোরি অনী থোক্লা সেভ ফ্যুয়েল, সেভ ইনভাইরোমেন্ট হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদম্নবা অদুদা তোঙান তোঙানবা স্কুল ৮ গী মহৈরোই ৪০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

পাঙথোক্লিবা চাংদম্নবা অসিগী মনাশিং লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১৫ দা পাঙথোকপা কেম্পইন অসি লোইশিনবগী থৌরমদা য়েঙ্থোক্কনি হায়রি।

# নমদুনা ফম্লানবগী কেসতা অমনা মপুন্সি চুপ্পা অমনা...

*লমায় ১গী মখা...* তিন্নবদা অকিবা অমদি হঙ্গোইবা ফাওদুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরি। হায়রিবা অনাবশিং অদু কোকহনবদা চহী কয়া চঙখিগনি।

থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা ভিক্টিম অদু নুমিৎ ২০ নি ৱাখল তাদনা আই সি য়ুদা লৈখিবনি। চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা মরন্না ইমুং মনুংনা ভিক্টিম অদুবু হোস্পিটালদা পুননবা হোৎনবদা অচৌবা চৈথেং অমা ওইখিবনি। রাজ মেদিসিটি হোস্পিটালদা লায়েংনবা লায়েংবগী মমল লুপা লাক্ষ ২ য়ৌখিবনি। মদুগী মথক্তা সেনাপতিদগী ইম্ফালদা লাক্লবা হোৎনবদা ইমুং মনুং অদু লৈতবা লায়রবা ওইবা মরন্না অচৌবা খুদোং চাদবা মায়োক্লখি। মদুগী মথক্তা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমবু মকোক্তা নুঙনা শুদুনা ৱাখল মাঙহনখিবা থৌদোক অদু কা হেনবা মীওইবগী লিচৎ নত্তবা ওইবা মরন্না কনভিক্ট অদুবু খ্বাইদগী চাউবা ফাদোক্কী মতম পীননবা প্রে তৌখি।

অমরোমদা, দিফেন্স কাউন্সেলগী মায়কৈদগী থল্লকখিবা সবমিসন অদুনা পল্লিবদি, কনভিক্ট অদু ময়ূম–মকৈ পান্দুনা নুপী–অঙাং লৈরবা মীশকনি। মহাক খক্তনা শেল তান্দুনা ইমুং পুরিবা মীওই ওইবা মরন্না মহাকপু অতেনবা মতমগী ফাদোক পীবিনবা প্রে তৌখি।

নাকল অনীমক্কী সবমিসনশিং অমদি কেস রিপোর্টশিং কুপ্না য়েংলবা মতুংদা কনভিক্ট অদুনা পোক্সো এক্টকী সেক্সন ৪ অমদি আই পি সি সেক্সন ৩২৬ কী মখাদা চথখিবা ক্রাইম ওইবা মরন্না মহাকপু মরালগী মতুং ইন্না ফাইল ওইনা লুপা লাক্ষ ২ থিহনবগা লোয়ননা মপুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈননবা ফাদোক পীখিবনি। হায়রিবা ফাইলগী শেনফম অদু থা ২ গী মনুংদা ভিক্টিমগী ইমুং অদুদা পীননবা মখা তানা কোর্টনা ওর্দর তৌখ্রে।

অমরোমদা, হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী ওগষ্ট ১৪ দা মমান্নবগী মচলনুপী নমদুনা ফম্লানখিবা থৌদোক অদুদা মরাল লৈরে হায়না আই পি সি সেক্সন ৩৭৬ কী মখাদা কোর্টনা লাউথোকখ্রবা ঘরী অৱাং লৈকাইদগী মৈস্নাম সুরেশ সিংহং ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট সেসন জজ আর কে মেমচাগী কোর্টনা ফাইন লুপা লিশিং ১৫ থিহনবগা লোয়ননা চহী ১০ থবক শুবগী ফাদোক পীখ্রে।

কেস অদুগী ফাইনেল রিপোর্ট হিয়ারিং হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী নবেম্বর ২৭ তা পাঙথোক্লবা মতুং ওর্দর অদু রিজার্ভ থমদুনা লাকখ্রবা মতুংদা চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারি ৬ তা কনভিক্সন ওর্দর অদু থোকখিবনি। লোয়ননা কেস অদুগী ট্রাইয়েল মনুংদা বেলদা লৈরকখিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ঘরী অৱাং লৈকাইদা লৈবা লোকেনগী মচানুপা মৈস্নাম সুরেশ (২৬), কনভিক্সন ওর্দর থোকখিবা মতুংদা অমুক হন্না ফাগৎতুনা শজিৱা সেন্ট্রেল জেলদা থাজিনখিবনি।

ঙসি কোর্ট অসিদা পুথোকখিবা সেন্টেন্স অদুদা এদিস্নেল পি পি অমদি দিফেন্স কাউন্সেলগী মায়কৈদগী থল্লকখিবা সবমিসনশিং কোর্টনা কুপ্না য়েংখি।

এদিস্নেল পি পি নিলচন্দ্রগী থল্লকখিবা সবমিসন অদুনা পল্লিবদি, কোর্ট অসিনা মৈস্নাম সুরেশ আই পি সি সেক্সন ৩৭৬ কী মখাদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবনি। মহাক্না মহাক্কী মরুপ অমগী মচলনুপী ওইরিবা নুপীমচা অদুবু মী লৈতবগী অচেংবা তাঞ্জা লৌদুনা নমদুনা ফম্লানখিবনি। মহাক্না চথখিবা থৌওং অদু কা হেনবা লমচৎ ওইবনা মহাক্কী মথক্তা খ্বাইদগী শাংবা ফাদোক্কী মতম পীননবা প্রে তৌখি।

অমরোমদা, দিফেন্সগী মায়কৈদগী থল্লকখিবা সবমিসন অদুনা পল্লিবদি, কনভিক্ট মৈস্নাম সুরেশ প্রাইভেট কম্পনি অমদা থবক য়াওবনি। থৌদোক থোকখিবা নুমিৎ অদুদা মহাক্না য়ূম অদুদা পোৎ থিবা লাকপদা থোকখিবনি। মহাক হৌজিক ময়ূম–মকৈ পান্দুনা চহী ১ গী মচানুপা অমগী মপা ওইরে অমসুং মহাক্না থৌদোক অদুগী মমাঙদা ক্রাইম অতোপ্পা চথখিবগী রেকোর্দ লৈতবা অমদি চহী নৌরিবা মীওই অমা ওইবা মরন্না মহাকপু লমজিং লমতাক্তুনা অফবা মায়কৈদা পুরকপা য়াগনি। মরম অসিনা মহাকপু খ্বাইদগী তেনবা মতমগী ফাদোক পীননবা প্রে তৌখি।

মখল অনীমক্কী সবমিসনশিং অমদি কেস রেকোর্দশিং কুপ্না য়েংলবা মতুংদা থৌদোক অদু থোকখিবদগী ভিক্টিম অদুগী পুন্সিদা ওইরক্কদবা খুদোংচাদবা কয়া অমদি কনভিক্ট অদুনা চথখিবা ক্রাইম অদু কা হেনবা ওইবা মরমশিং কুপ্না খন্নরবা মতুংদা মরালগী মতুং ইন্না কোর্ট অসিনা মৈস্নাম সুরেশ ফাইন ওইনা লুপা লিশিং ১৫ থিহনবগা লোয়ননা চহী ১০ থবক শুবগী ফাদোক পীখিবনি অমসুং হায়রিবা ফাইলগী শেনফম অদু মতম চানা পীদ্রবদি ফাদোক্কী মতম থা ২ শাংথনবা কোর্টকী ওর্দর অদুনা মখা তাখি।

কোর্টকী ওর্দর অদুনা মখা তারদুনা ভিক্টিম ওইরিবা নুপীমচা অদুদা মণিপুর কম্পেন্সেসন স্কিমগী মকাদা কম্পেন্সেসন পীননবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ওর্দর তৌখ্রে।

# গ্রেটর ইম্ফাল রিং রোদকী অনৌবা এলাইনমেন্ট লৈঙাক্না অয়াবা ...

*লমায় ১গী মখা...* কসোম খুল্লেন ফাওবগী লম্বী শেম্বা লোয়ননা ইম্ফালদগী কাঙচুপ ফাওরগা তমেংলোং ফাওবগী লম্বী শেম্বগী থবক অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট লৈঙাক্না পায়খৎফম থোকপা থবকশিং লোইশিন্দনা লৈবনা হান্নগী থবকশিং অসি মতম প্রোগ্রেস য়াঙনা চংশিনবা ঙমদনা লৈরি।

লৈঙাক্না মসিগী থবক অসিগী ষ্টেটনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা রিং রোদ শেম্বগী থবক অসি শেল পীখিরোই হায়না হায়রকপা লৈরে হায়রি। হিরম অসিগা মরী লৈননা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং অপনবা লৈতনা চঙশিন্নবা ঙসিগী মীফম অদুদা খন্নখি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, গ্রেটর ইম্ফাল রিং রোদ প্রোজেক্ট অসি অহানবদা কিমি ৪৮ রোম শাংগনি পান্নরম্বা অদু মসিগী শরুক খরদা নৌনা এলাইনমেন্ট তৌরকপনা মরম ওইরগা কিমি ৫৩ রোম শাংগনি হায়না পান্নরি।

লোয়ননা হান্নদি প্রোজেক্ট অসি লমগী কম্পেন্সেসন য়াওনা চঁৱাক্না লুপা ক্রোর১১৪৮ রোম ওইরম্বদগী অনৌবা এলাইনমেন্ট লাকপদগী শেনফম অসি রিভাইস তৌদবা য়ারক্তবা ফিভম অমদা লাক্লি। মরম অসিনা দি পি আর নৌনা অপদেট তৌনবা ৱাফম ঙসিগী মীফম অদুদা পুথোক্কুনা খন্নখি হায়রি। ঙসিগী মীফম অদুদা অনৌবা এলাইনমেন্ট অদুসু ফাইনেলাইজ তৌরে হায়রি।

পনবা য়াবদি রিং রোড অসি ইম্ফাল ইষ্টকী ক্যামগৈ পল অহনবীদগী বাশিখোং ফাওরগা শিংজমৈ কোংবা রোদ, অয়াংপল্লি, পোরোম্পাৎ ক্রোসিং ফাওরক্লগা, দি সি রোদ ইম্ফাল ইষ্ট ফাওদুনা লাক্লবা মতুংদা কোংপাল ইরানফম থোং লাম্বোক্লগা তিন্সিদ রোদ ক্রোস তৌরগা অঙোম লৈকাই ফাওরগা চাইরেঙ্গোং লাক্লগা নেসনেল হায়ৱে ১৫০ তারক্লবা তুংদা ইপুম মপাল লাক্লগা খুরাই হৈগ্রেমখোঙ লাক্লপা পাঙ্গে লম্বী ফাওদুনা চৎলবা মতুংদা হৈঙাংখোংগী নোংচুপলোমদা লাক্লগা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসন, হৈঙাং মার্জিং চীংখোঙ লাক্লবা মতুংদা অচানবীগে ফাওরক্লগা কোইরেঙ্গেগী সিএম সি হোস্পিতালগী অৱাংথংবা লম্বী চৎলবা মতুংদা নেসনেল হায়ৱে–২ লাক্লবা মতুংদা সঙাকফম, এসেমব্লিগী অৱাংথংবা লম্বী লাক্লবা মতুংদা থাং মৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকাই লম্বী ফাওরক্লগা দি সি ওফিস ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বী লাক্লবা মতুংদা ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জ ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বী লাক্লবা মতুংদা লাঙ্গোল তাইপ ৱান ক্বার্টর মনাক্কী লম্বী ফাওরগা ইরোইশেম্বা লম্বী লাক্লবা মতুংদা লাংজিং সি আর পি এফ মমাংগী লম্বীদা লাক্লবা তুংদা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ফাওরক্লগা তাউবুংখোক তাবা লম্বী লাক্লবা মতুংদা সাদোকপম তারক্লগা ঘরী ফাওরক্লগা নেসনেল হায়ৱে ১৫০ তারক্লগা ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্ট ফাওরক্লগা নিঙোম্বম তারবা মতুংদা হিয়াংথাং ফাওরক্লগা নরানকোঞ্জিন লাক্লবা তুংদা লংথবাল খৌপুম ফাওরক্লগা লংথবাল লাক্লগা পলঅহনবীদা অমুক থুংগদবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

ঙসিগী মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেসবাবু ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং অমদি অনৌবা এলাইনমেন্ট অসিগী য়েংলগা দি পি আর অপগ্রেদেসন তৌনবগী কন্সলটেন্টশিংসু শরুক য়াখি।